# রাফেল দিলদা গভর্ণমেন্টনা মীনমখি ঃ *রাহুল গান্ধী*



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ ঃ***
কংগ্রেস প্রসিদন্ট রাহুল গান্ধীনা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী ঙাকপা ঙমদবা ৱাশকশিংগী মতাংদা ঙসি লোক সভাদা অকনবা ৱাহৈনা চৈরদুনা রাফেল দিল তৌরকখিবগী মতাংদা অকক্লবা ব্যুজিনেসমেন অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করি মরমগী শৌগৎখিবনো হায়বগী পাউখুম পীগদবনি হায়রদুনা রাফেল দিলগী মতাংদা ৱাহং হংখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা নো–কনফিদেন্স মোসনগী মতাংদা দিবেট তৌনবদা য়াওরদুনা রাহুল গান্ধীনা দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামনসু দিল অদুদা চুমদবা ৱাফম ঙাংবগীদমক মরাল শীখি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা অচুম্বা নত্তবা ঙাংখি। ফ্রেঞ্চ প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না ঐঙোন্দা ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট অমসুং ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টকী মরক্তা অরোনবা য়ানবা অমত্তা লৈতে হায়রকখ্রবনি হায়বা ৱাফম থন্নদুনা রাফেল দিল অদু হিন্দুষ্টান এরোনোটিকেল লিমিটেদতগী শত্তোক্লগা অকক্লবা ব্যুজিনেসমেন অমদা কন্ট্রেক্ট অসি করি মরমগী পীখিবনো হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টরনা শোয়দনমক পাউখুম পীগদবনি হায়না তকশিনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগা কনাগুম্বা মীওই খরগা লৈনবা মরী অদু মীপুম খুদিংমক্না খঙই। প্রাইম মিনিষ্টরগী মার্কেটিংদা চঙখিবা শেনগী শেনফম মীপুম খুদিংমক্না খঙই অমসুং মদু কনানা পীবনো হায়বদুসু খঙই। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদগী অমদা রাফেল কন্ট্রেক্ট অদু পীখিবনি। মীওই অদুনা লুপা ক্রোর ৪৫,০০০ গী চাংদা কান্নখি হায়না রাহুল গান্ধীনা মরাল শীখি।

নো–কনফিদেন্স মোসন অদু শৌগৎলদুনা টি দি পি গুম্বা অতৈ কয়াসু বি জে পি গী জুমলা ষ্টাইক কৌবা পোলিটিকেলগী খূৎলাই অদুগী ভিক্টিম অমনি হায়না মহাক্না হায়খি। হৌজিক টি দি পি না এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসিগী মায়োক্তা নো–কনফিদেন্স মোসন অসি থাঙ্গৎলকখ্রে।

নখোয়সু ২১ শুবা চহীচাগী পোলিটিকেল ৱিপল অসিগী ভিক্টিম অমনি। পোলিটিকেল ৱিপন অদুদি জুমলা ষ্টাইক হায়বসিনি। মখোয়গুম্বা ভিক্টিম ময়াম অমা লৈরি হায়রদুনা লৌমীশিং, নহারোনশিং, দলিটশিং, ত্রাইবেলশিং অমসুং নুপীশিং অসিসু গভর্ণমেন্টকী খূৎলাই অসিগী ভিক্টিমশিংনি হায়খি।

কংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা হায়রিবা ৱাফমসি বি জে পি না শক্তি পায়রক্লিঙৈগী মমাঙদা মপান লৈবাক্তা পৈশিন্দুনা থন্নিবা ব্লেক মণি পুন্নমক অদু ইন্দিয়াদা পুরক্লবা তুংদা ইন্দিয়ান খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ১৫/১৫ পীগনি ৱাশকখিবা অদুগী মতাংদনি অমসুং মহাক্না মসিবু জুমলা ষ্ট্রাইক নম্বর ১ কৌই হায়খি।

মহাক্না জুমলা ষ্ট্রাইক নম্বর ২ হায়না মিংথোনবা থবক ফংদবগী ৱাথোক অসি পুখৎলদুনা রাহুল গান্ধীনা গভর্ণমেন্টনা চহী খুদিংগী থবক ক্রোর ২ পীনবগী ৱাশকখিবা অদুগী মায়োক্তা শুপ্পগী থবক লাক্ষ ৪ খক পী হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা হৌখিবা চহী ৪ দা থবক ফংদবগী ৱাথোক মতোন লোমখ্রে হায়না রাহুল গান্ধীনা মরাল শীখি।

ফার্মরশিংগীদমক লোন কোকথোকউ য়াখিদবা গভর্ণমেন্ট অসিনা কোর্পোরেটশিংগীদমক্তি লুপা ক্রোর লাক্ষ ২.৫ হেনবগী লোনশিং কোকথোকই হায়না রাহুলনা হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মপান–লৈবাক খোঙচৎশিংগী মতাংদসু পুখৎখি অমসুং মহাক্কী এজেন্দা য়াওদবা চিনা খোঙচৎ মনুংদা দোকলামগী ৱাথোক অদু পুখৎখিদবগীদমকসু মরাল শীখি।

মহাক্না ৱা ঙাংলিঙৈদা ট্রেজরি বেঞ্চতগী মেম্বর খরনা মরক থৎনবা হোৎনরকখিবা অমসুং খুদম চাংদম লৈতবা ৱাফমশিং ঙাংবগীদমক মহাকপু মরাল শীরকখিবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা অমুক "দরো মৎ, দরো মৎ ... সচ সে দরো মৎ" (অচুম্বা হায়বদা কিবা তৌগনু) হায়না মেম্বরশিং অদুদা ওনশিন্দুনা পাউখুম পীখি।

# হেলসিঙ্কি সম্মিটকী নুমিৎ খরনিগী তুংদা রসিয়ানা পুটিনগী সুপর ৱিপনশিং উৎখ্রে



***মোস্কো, জুলাই ২০ ঃ***
মালেমদা খূৎলাই লমজেন তান্নবা করম্না থিংগদগে হায়বগী মতাংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা খন্নখিবগী নুমিৎ খরনিতগী তুংদা রসিয়ানা শগোলশেন নুমিত্তা ন্যুক্লিয়ার অমসুং কনভেনস্নেল ৱিপনশিংগী অনৌবা জেনেরেসন অমা টেষ্টিং তৌবা অমসুং ওপরেসন তৌবা উৎপা ভিডিও ময়াম অমা ব্রোদকাষ্ট তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিননা চহী কয়ামরুমগী মনুংদা মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল ফুদোকপা ৱাঙাংশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মার্চ থাদা অনৌবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই কয়ামরুম লাওথোক্লদুনা খূৎলাইশিং অদুনা মালেমগী মনুংদা লৈরিবা মফম অমদা হেক্তা থাবা ঙমগনি অমসুং য়ু এস না শাবা মিসাইল সিলবুসু মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা হেলসিঙ্কিদা মখোয়গী অহানবা উন্নবা মীফম পাঙথোকখিবা পুটিন অমসুং ট্রম্প অনীমক্না খূৎলাই লমজেন তান্নবা থিংবগী মথৌ তাবগী মরমদা ঙাংনখি অমসুং অনৌবা ষ্টার্ট (ষ্ট্রেতেজিক আর্মস রিদক্সন ট্রিটি) তৌননবগী থবক অথুবদা মথৌ তারে হায়না পুটিননা হায়খিবনি।

শগোলশেন নুমিত্তা রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মার্চ থাদা পুটিননা মায়খুম হাংদোকখিবা অনৌবা খূৎলাইশিংগী চাংয়েং তৌবা নৎত্রগা থবক চথখিবা উৎপা হোল্লিৱুদ–ষ্টাইলগী ফুটেজ কয়ামরুম থাদোরকখি। মদুদা অনৌবা কিনজাল হায়পরসোনিক মিসাইল পুবা রসিয়ান মিগ–৩১ ফাইটর জেট অমা এয়ারফিল্ডদগী পাইখৎখিবা অমসুং মদুগী মতূংদা মিসাইল অদু নোংথক্তগী কাপ্পা উৎখি।

অনৌবা কিনজাল মিসাইল পানবা মিগ–৩১ জেটশিংনা হৌজিক কাস্পিয়ান সি দা এপ্রিল থাদগী পেট্রোলিং চৎপা হৌখ্রে হায়না ইন্টরফেক্স ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্টিগী অনৌবা ন্যুক্লিয়ার–পৱার ক্রুজ মিসাইল–বিয়োরভেষ্টনিক নৎত্রগা ষ্টোর্ম পেট্রোলগী ফ্লাইট টেষ্টশিং চখনবা থৌরাং তৌখ্রে।

এভনগার্দ হায়পরসোনিক মিসাইল, হেভি সরমাট ইন্টর কন্টিনেন্টেল বালাষ্টিক মিসাইলনচিংবগী ফুটেজ অদু উৎখ্রে।

# মখোয়গী হৈ–শিংবা চাংয়েংনবা পি এল এ না টিবেটতা লাম্ষ্টেংনবগী ড্রিলশিং পাঙথোকখ্রে



***বৈজিং, জুলাই ২০ ঃ***
চানিজ মিলিটরিগী স্পিসিয়েল ফোর্সশিংনা হায় ওলটিচুদকী লমদমদা মখোয়গী হৈ–শিংবশিং চাংয়েংনবা হেলিকোপ্টর পাইলোটশিংগী গ্রাউন্দ ত্রেনিং য়াওনা টিবেটকী লৈমায়দা লাম্ষ্টেংনগী। ড্রিলশিং পাঙথোকখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা মেদিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টিবেটতা মিটর ৪,০০০ গী অৱাংবদা য়েক্লবশিংগী মতূংদা লোন্না চঙশিনবগী মিসন অমা ত্রেনিং অদুদা সিম্যুলেসন তৌখি হায়না *দ পি এল এ দেলি* কৌবা চিনাগী পিপলস লিবেরেসন আর্মিগী ওফিসিয়েল চেফোঙ অদুনা হায়খি।

পাইলোটশিং অমসুং স্পিসিয়েল ফোর্সশিংনা হেলিকোপ্টরদগী লৈখাদা চোংথরকখি অমসুং মখোয় পূন্না মিসন অদু পাঙথোকখি হায়না পাউ অসিনা ঙরাং হায়খি।

টিবেটতা থাখায় অমা হেনবগী মনুংদা চানিজ ওফিসিয়েল মেদিয়ানা ফোঙদোকপদা মসিনা অনীশুবা মিলিটরি ড্রিলনি। জুন ২৯ দা ওফিসিয়েল মেদিয়া অমনা টিবেটতা থম্বা চাইনিজ মিলিটরি য়ুনিটশিংনা আর্মামেন্ট সপ্পোর্ট কেপাবিলিটিশিং লোয়ননা ইন্দিয়াগা থংনবা হিমালয়ান রিজন অসিদা মিলিটরি–সিভিল ইন্টিগ্রেসনগীসু চাংয়েংবা ড্রিল অমা পাঙথোকখি।

খ্বাইদগী নৌনা পাঙথোক্লিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অসিনা করিগুম্বা ইন্দিয়াগা থোক্লকপা য়াবা মিলিটরি কনফ্রোন্টেসন অমগীদমক পার্টিসিপেন্টশিংবু হান্ননা থৌরাং তৌহন্নবনি হায়না মিলিটরি এক্সপার্ট অমসুং টি ভি কম্মেন্টেতর অমা ওইরিবা সোং ঝোংপিংনা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা *গ্লোবেল টাইমস* তা হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং চিনাগগী মরক্তা কিলোমিটর ৩,৪৮৮ কোনশিল্লিবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি) মনুংদা চিনানা খা থংবা টিবেটকী শরুক অমনি হায়না মুক্লিবা অরুনাচল প্রদেশসু য়াওরিবনি।

মিলিটরি ত্রেনিং হায়বা অসিগীদমক ৱাখলনা শাবা য়েক্লবা ফোর্স অমা লৈবা হায়বসি মহৌশানি হায়না সোংনা হায়খি।

হন্দক্কী ত্রেনিং অসিগী ওইনা ত্রেনিং অসি টিবেট প্লেটুদা পাঙথোকপনা টার্গেত অদু কনা ওইগদগে হায়বা অদুম খঙনরবনি।

য়েক্লবগী তুংলোমদগী মখোয়গী মনুংদা চঙশিনবা হায়বসি লানফম অমা মায় পাক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা অখন্নবা ওপরেসন অমনি। মখল অসিগী ত্রেনিং পাঙথোকপা হায়বসি ফোর্স পূন্নমক্কীদমক য়াম্না মরু ওই হায়না মহাক্না হায়খি।

স্পিসিয়েল ফোর্সশিংগা ত্রেনিং পাঙথোকপদা পাইলোটশিংগীসু মফম মরাং খঙদবা লমহাংদা হিংবা ঙম্নবগী তৌবা ঙম্বা হেনগৎহল্লি। টিবেটতা মিলিটরি ওপরেসনশিং পাঙথোকপা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওই মরমদি মফম অসি য়াম্না অৱাংবা, এটমোসফিয়ারগী প্রেসর নেম্বা, নুংশিৎ পাবা অমসুং টেম্পরেচর নেম্বননি হায়না মহাক্না হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ওফিসিয়েল মেদিয়ানসু মিলিটরি ফাইটর জেটশিং অমসুং মিসাইল কাপ্পনচিংবদা মেটিওরোলোজিকেল সপ্পোর্ট পীনবা ইন্দিয়াগী অরুনাচল প্রদেশকা ঙমখৈ তাইনবা মনাক নকশিন্না টিবেটতা মী য়াওদবা ওতোমেটিক ৱেদর ওবজার্ভেসন ষ্টেসন অমা চিনানা লীংখৎখ্রে হায়বা পাউ ফোঙখ্রবনি।

ৱেদর ওবজার্ভেসন ষ্টেসন অসিগী দটানা প্লেন পাইখৎপা অমসুং তারকপা, অমসুং মিসাইলশিং কাপ্পদা মতেং পীবা ঙমগনি হায়না চাইনিজ এক্সপার্টশিংনা হায়খি।

চাইনিজ মিলিটরি য়ুনিটশিংনা মহৌশানা অশেংবা খূৎ থোক্লবা লানফমগী ফিভমশিং সিম্যুলেটিং তৌরগা এক্সর্সাইজ পাঙথোকই। মসি কুমজা ২০১২ দা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রকখ্রবা মতূংদগীনি। চাইনিজ পাইলোটশিংনা চহী অসিদা অমনা অমগী মথৌ তাবশিং খঙনবা লোয়ননা লানফমদা তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবা স্পিসিয়েল

# মিজোরামনা ব্রুশিংবু ভোট থাদবগী হক পীরোই ঃ *ষ্টেট হোম মিনিষ্টর*



***আইজোল, জুলাই ২০ ঃ***
মিজোরামগী হোম মিনিষ্টর আর লালজিরলিয়ানানা ঙরাং মেদিয়াগা উন্নবা অমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মিজোরামগী মপানদা লৈরিবা ব্রু ত্রাইবেলশিংবু ভোট থাদবা য়াবগী হক পীরোই নৎত্রগা কেম্পশিং অদুদা ইলেক্তোরেল রোলশিং দিভিজন তৌবগী থবকসু চথরোই হায়খ্রে।

ব্রু ত্রাইবেলশিং অসি হৌজিক ট্রিপুরাদা ট্রান্সিট কেম্প তরুক্তা থন্নি।

মেদিয়াদা ৱা ঙাংবদা মিনিষ্টর লালজিরলিয়ানানা ট্রিপুরাগী রিলিফ কেম্পশিংদা ব্রু ভোটরশিংগীদমক ইলেক্তোরেল রোলশিং রিভিজন তৌনবা হন্দক্তা ইলেক্সন কম্মিসন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খঙহল্লকখি হায়খি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না ব্রু ত্রাইবেলশিংগীদমক ইলেক্তোরেল রোলশিং অদু রিভাইস তৌবা পাল্লবসু গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লৈ। খোঙথাং অদু মিজোরামদা হল্লক্লবা অশেংবা ব্রু রেসিদেন্সশিংগীদমক তৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ট্রিপুরাদা মখোয়গী রিলিফ কেম্পশিংদা ব্রু ত্রাইবেলশিং অদুবু ভোট থাদবগী হক শীজিন্নবা মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা য়াহল্লোই হায়বা ৱাফম থন্নদুনা ষ্টেট হোম মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকপদা ষ্টেট অসিদা অমুক হল্লকখ্রবা ব্রুশিং খত্তমক মিজোরামদা ভোট থাদবা য়াহন্নবগী গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসি অরেপ্পনি হায়খি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মসি য়াখ্রবনি অদুবু অমুক হল্লকপগী মায়োক্তা লৈবা ব্রু ত্রাইবেলশিংগী মতাংদা ওফিসিয়েল চেরোল অমা হৌজিক ফাওবা থাগৎত্রি। ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখ্রবা ব্রু ইমুং–মনুংশিংদা পীনবা লম মতীক চানা লৈতে হায়নসু হোম মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

মিজোরামদা হান্ননা হল্লকখ্রবা ব্রু ইমুং ১,৬৪৮ না রিপেট্রিয়েসন পেকেজশিং অমসুং থুনমক হল্লক্লগদবা ব্রুশিংদা পীগদবা কম্পেন্সেসনগা মান্ননা শোয়দনমক পীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি হায়না মহাক্না হায়খি।

মীফম কয়ামরুম মথং–মথং পাঙথোকখ্রবা মতূংদা ট্রিপুরা অমসুং মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং, হোম মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েলশিং অমসুং ব্রু দিসপ্লেস পিপলস ফোরমনা ন্যু দিল্লিদা জুলাই ৩ দা এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখ্রে।

এগ্রিমেন্ট অদুগী মতূং ইন্না ইমুং ৫,৪০৭ না শাবা ব্রু ত্রাইবেল ৩২,৮৭৬ আগষ্ট ১৬ তগী য়ূমদা হল্লকপা হৌরগনি। তাঙ্কক কয়া থোক্না হল্লকপা অসি সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনগনি।

অদুবু রিপেট্রিয়েসন পেকেজশিংগী মতাংদা ব্রু রিফ্যুজিশিংনা য়ানিংদবদগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি অমসুং মিজোরাম ব্রু দিসপ্লেস পিপলস ফোরমনা নাকল মরিগী এগ্রিমেন্ট অদুদগী তোকখি।

মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ব্রু ত্রাইবেলশিং অমুক হল্লক্লবগী অকনবা থৌরাং তৌরি। মসিগী মতাংদা ট্রিপুরাগা ঙমখৈ তাইনবা মামিটতা ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মামিট দিষ্ট্রিক্টকী দিপুটি কম্মিস্নার ভুপেশ চৌধুরি, হোম দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরী অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসার–ওন–স্পিসিয়েল দ্যুটি দেবিদ ঐচ লালথাংলিয়ানা য়াওখি।

## উরিষ্যাদা ট্রকনা স্কুল অঙাং ৫ তকখাইখ্রে

***ভাদ্রক, জুলাই ২০ ঃ***
উরিষ্যাগী ভাদ্রক দিষ্ট্রিক্টতা শগোলশেন নুমিত্তা ট্রক অমনা তকখাইবদা স্কুল অঙাং ৫ শিখ্রে অদুগা অঙাং ৬ অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ২ এক্স গ্রেসিয়া পীনবা লাওথোকখ্রে। অশোকপা মহৈরোইশিংদসু লেম্না লায়েংগনি হায়খি। থৌদোক অসি স্কুল অঙাংশিং অদুনা সাইকল তোংদুনা ময়ূমদা হল্লকপদা নেস্নেল হায়ৱে ১৬ গী রানিতলাদা নুংথিল পূং ৪ রোম তাবদা থোকখিবনি। ট্রক অদুগী ড্রাইভর অমসুং ক্লিনর চেনখ্রে হায়রি।

## ছটিসগরদা মাওইষ্ট ৮ হাৎখ্রবা মতূং উরিষ্যাগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা চেকশিন্না লৈখ্রে

***ভুবনেশ্বর, জুলাই ২০ ঃ***
থংনবা ছটিসগর ষ্টেটতা ঙরাং মাওইষ্ট লানহৌবা ৫ হাৎখিবা থৌদোক অদুগী য়েংলগা উরিষ্যাগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অৱাংবা থাক্তা মীৎশিং–নাশিংনা অমসুং চেকশিন্না লৈহনখ্রে হায়না ঙসি সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছটিসগরগী বিজাপুরদা অকনবা খূৎ থোক্লবা অমদা ঙরাং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নুপী ৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মাওইষ্টি লানহৌবা ৮ হাৎখিবনি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুগী মতূং নাক্সালশিং অদুগী মথক্তা ছটিসগরনা অকনবা শাফু পীথরকপনা মরম ওইদুনা উরিষ্যাদা মখোয় চেনশিল্লকপা থিংনবা থংনবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা সেক্যুরিটি থবক কনখৎহনবনি হায়না উরিষ্যাগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস আর পি শর্ম্মনা ঙসি ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না নুৱাপদা, মলকানগিরি, বরগর, কোরাপুট অমসুং নবরঙ্গপুর হায়বা দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু হায় এলার্টতা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# লৈবাকসিগী লৈঙাকপশিং মীহাৎপশিংনি, মখোয়না শা–ষণশিং কল্লি অদুগা মীওইবশিংবুদি হাৎলি ঃ *শিব সেনা*

***মুম্বাই, জুলাই ২০ ঃ***
লোক সভাদা ঙসি নো–কনফিদেন্স মোসন অমা মায়োক্লরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু অকনবা ৱাহৈনা চৈরদুনা মসিগী খোঙলোই অমসু ওইরিবা শিব সেনানা লৈবাক অসিবু ঙাক্লিবশিং অসি শা–ষণশিংবু কনবা অদুবু মীওইবশিংবুদি হাৎপা মীহাৎপশিংনি হায়খ্রে।



মখোয়গী চেফোঙ *শামানা* গী এদিটোরিয়েল অমদা মোদি গভর্ণমেন্টনা শক্তি পায়রকখিবা মেন্দেট অদু শিব সেনানা চিংনৈ, মীখলশিং অদু শেননা শক্তি লান শীজিন্নদুনা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং টেম্পরিং তৌরগা মায় পাকখিবনি হায়খি।

ঙসি লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়রিবশিং অসি শা–ষণবু কনবা অদুবু মীদি হাৎপা মীহাৎপশিংনি। মখোয়গী ৱাখলদা মীনুংশি হায়বদু অমত্তা লৈতে। অঙম্বা উপায় অমা তৌদুনা মীখল মায় পাকপা অমসুং শক্তি পায়দুনা লৈবা অসি দিমোক্রেসি নত্তে। মেজোরিটি হায়বসি কৈদৌঙৈদা লেংদনা লৈবা নত্তে। লৈবাক্কী মীয়াম্না খ্বাইদগী মকোকনি হায়না এদিটোরিয়েল অদুনা হায়খি।

সেন্টরদা অমসুং মহারাষ্ট্রদা বি জে পি গা খোঙলোই ওইমিন্নরিবা শিব সেনানা মখা তানা ফোঙদোকপদা গভর্ণমেন্ট অসিবু মফম লৌথোক্কদৌরিবা অসি মশীংনা নত্তে হায়বসি ওপোজিসন্না ফাওবা খঙই। নো–কনফিদেন্স মোসন অসি মোদি গভর্ণমেন্টপু চিংথুনবা নত্তে অদুবু মসিগী অরানবা অমসুং ফত্তবশিংদু পুথোক্লবনি হায়খি।

মেজোরিট ফংবা হায়বসি হৌজিক মীয়ামগী মেন্দেটনি হায়না মখা তানা লৌবা য়ারোই। মসি হৌজিক্তি দিক্টেতরসিপকী খূৎলাই অমা ওনখ্রে। ভোট ফংনবগীদমক অচৌবা ৱাশকশিং শকখি। পোলিটিকেলগী তোংজবা ফংনবগীদমক মীয়ামগী খুদক–খুদক্কী অপাম্বা অমসুং অনীংবদা মখোয়না শান্নে।

উধব থাকরেনা লুচিংবা পার্টি অসিনা হায়খ্রে, গভর্ণমেন্ট অসিবু শক্তি পায়হল্লকখিবা মেন্দেট অদু চিংনৈ। শেন শীজিন্নদুনা, শক্তি লান্না শীজিন্নদুনা অমসুং ই ভি এম শিং টেম্পর তৌদুনা মীখলশিং মায় পাকপা মরম্না হৌজিক দেমোক্রেসি অসি ইচম চম্বা ক্লাককুম্বা অমা ওইরে। মরম অদুনা হৌজিক মসি কনবা হায়বসিনা পূম্নমক্না থেংনগদবা লানফম অদু ওইরে হায়খি।

চহী ২৫ গী এলাইয়েন্স মতূংদা নখোয় (বি জে পি) না ঐখোয়বু থাজদ্রে। বি জে পি গী মীখলগী অচৌবা খোল্লাও ওইখিবা অছে দিন হায়বদু মাঙখ্রে হায়খি।

GAS TODAY

R & H Indane
Booking : 24/05/18
Valid : 11/05/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.40 a.m

GBD Gas, Lamlong
Booking : 29/05/18
Valid : 15/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

Khurkhul Heikham Indane
Booking : 20/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 a.m

B D Gas, Chandel
Booking : 31/05/18
Valid : 28/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 noon

Misao Gas
Booking : 19/06/18
Valid : 03/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

Manipur Gas
Booking : 18/05/18
Valid : 12/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

Lamsang Gas
Booking : 20/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

Bashikhong Indane
Booking : 24/05/18
Valid : 14/05/18
Stk : 276
Time : 07.00 to 10.30 a.m

সনা–সুদোকু –১২৩৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 3 | 2 | 7 | 4 | 1 | 8 | 6 |
| 7 | 1 | 6 | 9 | 3 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 5 | 1 | 9 | 3 | 7 |
| 9 | 2 | 7 | 1 | 6 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 7 | 6 | 1 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 2 | 3 |
| 4 | 3 | 5 | 7 | 1 | 6 | 2 | 9 | 8 |
| 6 | 8 | 2 | 5 | 4 | 9 | 3 | 7 | 1 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1234**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | 9 | | 6 |
| | | 3 | | | | 1 | | |
| 6 | | 5 | | 4 | 8 | | | |
| | | 9 | | 7 | | | | 4 |
| 8 | | | 1 | | | | | |
| | 7 | | | 8 | 9 | | 2 | 5 |
| 1 | 6 | | | | | | | 3 |
| | | | 6 | 5 | | | | 2 |
| 9 | | | | | | | | |